## চিনাপা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় তরাগী মনুং চনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
মালেমগী স্কৱাস শান্নরোয়শিংগী ওইবা মকোক মথং তাবা পরিংগী খ্বাইদগী নৌবা লিষ্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী স্কৱাস শান্নরোয় জোসনা চিনাপা মকোক থোংবা শান্নরোয় তরাগী মনুং চনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবী জোসনা চিনাপা কুমজা ২০১৬তা অহানবা ওইনা মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুং চল্লুরবনি। মখা তারকপা টুর্নামেন্টশিংদা চিনাপাগী মায়কৈদগী টাইটল লৌবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা পোজিসন হাইথখ্রবা মতুং হন্দক্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ইজিপ্টকী রানিম এল ৱেলিলিনা থাজদবা মওংদা মশান্না অসিদগী পোত্থাখিবদগী ১১শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী জোসনা চিনাপা তরাশুবা পোজিসন্দা হাইগৎলকপনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা অতোপ্পা ইজিপ্টকী শান্নরোয় নোরান গোহ্রনা মালেমগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নৌনা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

## হোৎনবদা চাদা ১০০ থম্বগা লোয়ননা ৱাখলদা থাজবা থম্বনা শান্নবদা মায় পাকপা ওইগনি : কোথাজিৎ

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমগী দিফেন্দর অমা ওইনা এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় মণিপুর মচা খদাংবম কোথাজিৎনা ফোঙদোরকখিবদা মায় পাক্নবগীদমক্তগা শান্নরোয় অমনা মশাগী ওইবা পাঙ্গল অমদি হৈথোই-শিংথোইবশিং অদু চাদা ১০০ পীগদবনি অমদি মশামক্না মশাবু থাজবগী ৱাফম লৈগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী মার্চ থাগী ময়ায় চনশিল্লকপদগী মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী লম্‌দা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা লাকখিবা অদুগী মনুং চন্না হোকি মশান্নদসু চৈথেং ফংখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমগী দিফেন্দর অমা ওইনা এক্সপরিএন্স লৈরবা খদাংবম কোথাজিৎনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা শান্নবা য়াদবা অমদি ত্রেনিং ফংদনা লাকখ্রবা মতুং মতম অদুদা মহাক্না তমহৌবা পরাশিংগী মনুংদা খাংবা কনবা অমদি থেংনরকপা হীরম



খুদিংমক্তা ইশানা-ইশাবু থাজজবা অমদি তৌরিবা থবক অদুদা চাদা ১০০ পীবগী মথৌ তাইহায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমদা দিফেন্দর অমা ওইনা মতম শাংনা শান্নরকখিবা কোথাজিৎনা ইন্দিয়াগী টিমদা ইন্টরনেসনল মেচ ২০০ হেন্না শরুক য়াবা ঙমখি। লোকদাউন মতমদা হোকিগী ফিল্ডদা চঙশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিদবা অদুগী অৱাবা কয়া অমা থেংনরবসু খাংবা কনবগী পরা অমদি লোকদাউন অসিনা পীরি হায়না মশাগী চহী ২৮দা ঙাইরিবা কোথাজিৎনা ফোঙদোরকখি।

কোথাজিৎনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা শান্নরোয় অমগী পুন্সিদা খাংবা কনবা অমদি মশা মশানা চঙশিল্লিবা শান্নবগী লম্‌ অদুদা চাদা ১০০ হোৎনবা অমদি পূক্নিং য়াওশিনবগী তঙাইফদবা লৈহায়খি।

লোকদাউন মনুংদা কোথাজিৎনা কর্ণাটকাগী সিটি বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কেম্পসতা টিমগী ওইবা ত্রেনিংশিং পাঙথোক্ত্রবসু ইন্দিভিজুএল শান্নরোয় অমনা মশাগী ওইবা শাজেলশিং অমদি মেচ শান্নবা য়ারে হায়বা মতমদা শেম শাদুনা লৈনবগী পরা অমা তম্বা ঙমখি।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুং অসিদা হকচাং ফনা লৈবগী তাঙ্কক অদুনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইখি। শাজেল তৌরবা মতুং মমাঙদা মশামক্না শান্নখিবা মেচশিং য়েংদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা অমদি অৱাৎপা লৈখিবা তাঙ্ককশিং অদু ঔরাইবা ঙম্বগী অচৌবা কান্নবা অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম অসি কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। কোথাজিৎ মশামকসু টিম অসিদা মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা য়াওরি। টিম অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ওলিম্পিক গেম অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ফ্রেন্দলি মেচ নৎত্রগা টুর্নামেন্টশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

## ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংনা মশান্না অমদা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা চাওখৎহনবা পাম্মী : রিজিজু

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রি অসিগী মায়কৈদগী মালেমগী থাক্তা ইন্দিয়ানা শান্নবগী লম্‌দা মমিং লৈবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক্তগা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংনা মশান্না অমদা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্দুনা শান্নরোয় পুথোক্লবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অসিনা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংনা অখন্ননা মশান্না অমদা পূক্নিং চঙশিন্দুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং শেমগৎলবদি মালেমগী থাক্তা অফবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙমগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মরু ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমসতা মেদল মশীং য়াম্না ফংবা ঙম্নবগী পান্দমদা ষ্টেটশিংনা তোঙান তোঙানবা



মশান্নশিংদা অখন্ননা পূক্নিং চঙলগা অফবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিজিজুগী ৱারোল অদুদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়না খঙনরিবা মণিপুর ষ্টেটনা বোক্সিং অমদি সেপাকতাক্রোদা মীৎয়েং চঙশিল্লবসু ষ্টেট অসিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী ওইনা ফুটবোল অমদি আর্চরিগী দিসিপ্লিনশিংদসু অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্তুনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙল্লিবা অসিগুম্না অতোপ্পা ষ্টেটশিংনসু অখন্নবা মশান্না খরদা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্দুনা হোৎনরবদি ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ফংবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৬তা অখন্নবা শান্নবগী দিসিপ্লিন অমমমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা হোৎনরবদি হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অদুগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমগী ওইনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্টশিংদা মকোক থোংবা ঙম্লোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়না রিজিজুনা মখা তাখি।

## মণিপুরদগী নুপীমচা ৭ অমসুং নুপামচা ৮ নেসনল ফুটবোল কেম্পকীদমক খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী নেসনল কেম্প অমা থা অসিগী ২০দগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কেম্পকীদমক শান্নরোয় ৭ খল্লকখ্রে। লোয়ননা থা অসিগী ১৬তগী হৌগদৌরিবা নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী ত্রেনিং কেম্প অমদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮ খল্লক্লে হায়রি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা মেমোরেন্দম অসিনা মখা তারদুনা গোৱাদা জুলাই ২০দগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল কেম্প অদুদা শরুক য়ানবগীদমক্তগা খনগৎখ্রবা মণিপুরগী নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুদি থৌনাওজম ক্রিটিনা, হেমাম সিলকি, ফাঞ্জৌবম নিরমালা, থোকচোম মার্টিনা, নাওশরেম প্রিয়াঙ্কা, ববিনা অমদি লিনা কোম সটোরনি।

শান্নরোয়শিং অসিনা গোৱাদা জুলাই ১৮দা থুংদ্রিঙৈ মাঙওইননা লৈঙাক্না শকখঙলবা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্সকী মখাদা লৈবা লেবোরেটরি অমদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌগদবনি।

অমরোমদা, শান্নরোয় পূম্নমক গোৱাগী কেম্প অসিগী মাঙওইননা লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন পূম্নমক ইনগদবনি হায়রি।

অম্ফাগী অতোপ্পা মেমোরেন্দম অমদা থা অসিগী ১৬তগী গোৱাদা হৌগদৌরিবা নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী নেসনল ফুটবোল ত্রেনিং কেম্পতা খল্লকখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৮ অদুদি সোরোকখাইবম প্রিতম মীতৈ, পাওগৌমাং সিংসোন, লৈমপোকপম সিবজিৎ, তোংব্রম মহেসন, লোইতোংবম টাইসন, সুখাম য়োহেনবা মৈতৈ, য়ূম্নাম রেনেদি মৈতৈ অমসুং নোংমৈকাপ্পম শ্রীদার্থনি। হায়রিবা শান্নরোয় ৮ অসিবু গোৱা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থল্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ইন্দুনা আই সী এফ আরগী মখাদা শকখঙলবা লেবোরেটরিশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরবা মতুং পুং ৪৮গী মতুংদা নেগেটিভ ওইরবদি ত্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

## এম য়ুগী ফিজিকেল এদ্যুকেসন অমসুং স্পোর্টস সাইন্সনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সনা শীন্দুনা ফিট ইন্দিয়া কেম্পেয়নগী মনুং চন্না নুমিৎ নীনিগী ওইবা ওনলাইন (ৱেবিনার) ৱার্কশোপ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী কোওর্দিনেটরনা থোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স, ফিট ইন্দিয়া কেম্পেয়ন কম্মিটি অমসুং ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ইন্দিয়ন মাওন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোনগা খূৎশম্নরগা ঙরাংদগী হৌখিবা ৱার্কশোপ অদু ঙসি লোইশিনখিবনি।

ৱেবিনার ৱার্কশোপ অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই ২০০না শরুক য়াদুনা এদভেঞ্চর স্পোর্টসনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা হীরমশিং অমদি তুংদা ক্রিএটিভ ওইবা ৱাখল্লোন থম্নবগী পান্দমদা কান্নবা কয়া পীখি। ঙসি ৱার্কশোপ অদুগী লোইশিনবা নুমিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ক্যেরটেকর ওইরিবা জর্নেল সিংহনা চীফ গেষ্ট ওইখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, এদভেঞ্চর স্পোর্টস অসি মীওইবদা য়াম্না কান্নবা পীবা মখল অমগী দিসিপ্লিননি। মসিনা মীওই অমনা শুকখঙ খঙদবা অমদি অকিবা ফাওরম্বা পূম্নমক লৌথোকপা ঙম্বা মশান্না অমনি।

শান্নরোয়শিং অসিনা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরক্লিবা এক্সট্রিম স্পোর্টসতা শরুক য়ানবগী লম্বেল অমসু পীরি হায়খি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী ৱার্কশোপ অদুদা কোওর্দিনেটর ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডোক্তর এল সন্তোসনা ফোঙদোকখিবদা খুন্নাইদা এদভেঞ্চর স্পোর্টস অসিনা অতোপ্পা স্পোর্টসশিংদগী তোখায়বা মহাও অমা পীদুনা শরুক য়ারিবশিংদা কান্নবা ফংহনবা ঙমগনি হায়খি।

## শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌবগী অনৌবা মতম অম্ফানা লেপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা ঙসি ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ওইবা তোঙানবা ক্লবশিংদা ট্রান্সফর তৌবা অমদি লোনগী খূত্থাংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা পীখিবা হান্নগী মতম অদু নৌনা লেপ্তুনা জুলাই ২১দগী ৩১গী অয়ূক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ২ তাবা ফাওবদা পাঙথোক্লগনি হায়না নৌনা মতম লেপখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা মোমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্লব অমদি য়ুনিটশিংনা ক্লব মশেলদা ট্রান্সফর তৌবগী কাঙলোন য়াওরি।

শান্নরোয়শিং অসি মণিপুর ষ্টেট লীগতা শান্নরম্বা ক্লবশিংদা লৈরম্বা অমদি ষ্টেট লীগতা য়াওদবা অদুগা হান্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংদা লৈরিবা ওইগদবনি হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারম্বা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা লীগ অসিদা মখা তানা শান্নবা য়াওদ্রবা মীওইশিংসু ট্রান্সফর তৌবা য়াগনি হায়রি।

শান্নরোয়শিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্দা রেজিষ্টর তৌখ্রবা শান্নরোয়শিংনা মখা তানা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মনুংদা লৈরিবা ক্লব অমদি য়ুনিটশিংদা ট্রান্সফর নৎত্রগা লোনদা শান্নবগী অপাম্বা লৈরবদি মশা মশা য়াওনা এসোসিএসন অসিগী ওফিসলশিংগী মনাক্তা লাক্তুনা ইনচে পীগদবনি হায়রি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

## মকোক থোংবা টিম জুবেন্টসপু মিলাননা পাঞ্জল ৪-২দা চাউনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

রোম, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
ইটলিগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা জুবেন্টসপু লৈবাক অদুগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মকোক্তা লৈরিবা সেরি এগী ৩১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মিলাননা য়াম্না চাউনা পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২০গী লম্বা অদুদা জুবেন্টসনা মমাঙগী রাউন্দ ৩০ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৭৫ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা, ঙসি টিম অদুবু মায়থীবা পীরম্বা মিলান পোইন্ট ৪৬ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী মিলান অমসুং জুবেন্টসকী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎলকপদগী ৪৭শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী এ রাবিওটনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং টিম অদুগী এটেক অমদা জে কোদ্রাদোনা পীরকপা বোল অমদা রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-০দা হেনখি।

মেচকী ৬২শুবা মিনটতা মিলানগী মায়কৈদগী ইব্রাহিমোবিসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবা মতুং মিনট ৪ লৈরগা মহাক্না পীখিবা বোল অমদা টিমমেট কেসিনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

অথুবা মতমদা মিলানগী রেবিকনা পাস তৌশিল্লকপা বোল অমদা আর লিওনা ৬৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জুবেন্টসপু মিলাননা ৩-২দা মাঙজিল থাখি।

মেচ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা মিলানগী মায়কৈদগী অনৌবা এটেক অমদা বোনাভেন্টুরানা খাইদোরকপা বোল অমদা এ রেবিকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা জুবেন্টসপু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা হাইগৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 31 | 24 | 3 | 4 | 65 | 30 | 35 | 75 |
| 2 | Lazio | 31 | 21 | 5 | 5 | 67 | 33 | 34 | 68 |
| 3 | Inter | 30 | 19 | 7 | 4 | 63 | 31 | 32 | 64 |
| 4 | Atalanta | 30 | 19 | 6 | 5 | 83 | 39 | 44 | 63 |
| 5 | Napoli | 31 | 14 | 7 | 10 | 48 | 40 | 8 | 49 |
| 6 | Milan | 31 | 14 | 7 | 10 | 43 | 39 | 4 | 49 |
| 7 | Roma | 30 | 14 | 6 | 10 | 54 | 42 | 12 | 48 |
| 8 | Verona | 30 | 11 | 9 | 10 | 37 | 36 | 1 | 42 |
| 9 | Bologna | 30 | 11 | 8 | 11 | 43 | 47 | -4 | 41 |
| 10 | Sassuolo | 30 | 11 | 7 | 12 | 55 | 52 | 3 | 40 |
| 11 | Cagliari | 31 | 10 | 10 | 11 | 48 | 46 | 2 | 40 |
| 12 | Parma | 30 | 11 | 6 | 13 | 41 | 40 | 1 | 39 |
| 13 | Fiorentina | 31 | 8 | 11 | 12 | 37 | 43 | -6 | 35 |
| 14 | Sampdoria | 30 | 9 | 5 | 16 | 36 | 51 | -15 | 32 |
| 15 | Udinese | 30 | 8 | 8 | 14 | 27 | 43 | -16 | 32 |
| 16 | Torino | 30 | 9 | 4 | 17 | 34 | 56 | -22 | 31 |
| 17 | Genoa | 31 | 6 | 10 | 15 | 37 | 58 | -21 | 28 |
| 18 | Lecce | 31 | 7 | 7 | 17 | 40 | 71 | -31 | 28 |
| 19 | Brescia | 30 | 5 | 6 | 19 | 27 | 58 | -31 | 21 |
| 20 | SPAL | 30 | 5 | 4 | 21 | 23 | 53 | -30 | 19 |

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

## সেলটা ভিগো অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা পোইন্ট য়েন্নখ্রে

মাদ্রিদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
স্পেনিস ফুটবোলগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদপু ১৫শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা সেলটা ভিগোগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

লীগ অসিগী ওইনা রাউন্দ ৩৪ লোইশিনখিবদা রিএল মাদ্রিদনা পোইন্ট ৭৭ ফংলগা টিম ২০গী লম্বা অসিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মখোয়বু কন্না তান্নরক্লিবা অতোপ্পা ক্লব বর্সেলোনানা চপ মান্নবা মেচ মশীংদা পোইন্ট ৭৩ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি।

ঙসিগী ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মখোয়না ফংলিবা পোইন্ট অদুদগী হেনগৎনবা হোৎনরকপনি। টিম অদুগা খ্বাইদগী নক্নরিবা ক্লব সিবিলানা মেচ ৩৪দা পোইন্ট ৬০ ফংলগা মরিশুবা থাক্তা লৈরিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা মিনট অমগী মনুংদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী এ মোরাটানা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা সেলটা ভিগোবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তাবা মেচকী অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা সেলটা ভিগোনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অরেম্বা তাখি। অমরোমদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরবসু মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা হাফ অদু মখোয়না ১-০দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা সেলটা ভিগোগী মায়কৈদগী বি মেন্দেজনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা খাইদোরক্তুনা টিমমেট এফ বেলত্রাননা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা ফংখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং নাকল অনীগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্নবা অহেনবা পাঞ্জল অদু মেচকী মখা তানা লৈহৌরিবা মতম অদুদা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Real Madrid | 34 | 23 | 8 | 3 | 62 | 21 | 41 | 77 |
| 2 | Barcelona | 34 | 22 | 7 | 5 | 78 | 36 | 42 | 73 |
| 3 | Atletico Madrid | 35 | 16 | 15 | 4 | 47 | 26 | 21 | 63 |
| 4 | Sevilla | 34 | 16 | 12 | 6 | 49 | 33 | 16 | 60 |
| 5 | Villarreal | 34 | 16 | 6 | 12 | 54 | 44 | 10 | 54 |
| 6 | Getafe | 34 | 14 | 11 | 9 | 42 | 31 | 11 | 53 |
| 7 | Real Sociedad | 34 | 15 | 6 | 13 | 51 | 43 | 8 | 51 |
| 8 | Valencia | 35 | 13 | 11 | 11 | 45 | 51 | -6 | 50 |
| 9 | Athletic Bilbao | 34 | 12 | 12 | 10 | 38 | 29 | 9 | 48 |
| 10 | Granada | 34 | 13 | 8 | 13 | 42 | 40 | 2 | 47 |
| 11 | Osasuna | 34 | 11 | 12 | 11 | 40 | 47 | -7 | 45 |
| 12 | Levante | 34 | 12 | 7 | 15 | 42 | 47 | -5 | 43 |
| 13 | Real Valladolid | 35 | 8 | 15 | 12 | 29 | 39 | -10 | 39 |
| 14 | Real Betis | 34 | 9 | 11 | 14 | 44 | 55 | -11 | 38 |
| 15 | Celta Vigo | 35 | 7 | 15 | 13 | 34 | 44 | -10 | 36 |
| 16 | Deportivo Alaves | 34 | 9 | 8 | 17 | 32 | 51 | -19 | 35 |
| 17 | Eibar | 34 | 9 | 8 | 17 | 34 | 51 | -17 | 35 |
| 18 | Mallorca | 34 | 8 | 5 | 21 | 35 | 59 | -24 | 29 |
| 19 | Leganes | 34 | 6 | 10 | 18 | 25 | 49 | -24 | 28 |
| 20 | RCD Espanyol | 34 | 5 | 9 | 20 | 27 | 54 | -27 | 24 |

## ফোর্ম থাবগী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা খঙহল্লকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা লৈবা একাদেমিগী কুমজা ২০২১দা মীং চন্ননবগী মমাঙদা লাউথোকখিবা মতম অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা এ আই এফ এফ একাদেমিগী এক্রিদিদেসনগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ক্লবশিং অমদি একাদেমিশিংনা পীখৎকদবা এপ্লিকেসন ফোর্ম অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা চে-চাং থাগৎপগী মতম অদু য়ৈথোরকপনি হায়রি।

কাঙলোনশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি অতোপ্পা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইনা খেন্নবা খরা লৈরবসু অপূনবা ওইনা একাদেমি অসিদা চে-চাং থাজিল্লকপগী মতম অদু শাংদোকপনি হায়রি।

## ট্রান্সফরগী মমিং থাগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং স্পোর্টস এসোসিএসনগী ওইবা শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর তৌবগী মতম পীখ্রবা মতুং থৌবালগী শান্নরোয় অনীগী মমিং থাগৎলকখ্রে।

ঙসি অম্ফাগী মেমোরেন্দম অমদা ট্রান্সফর কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী ক্লব অমা ওইরিবা এস এল ৱাই ও ক্লবকী শান্নরোয় অনী নিঙোম্বম অজিৎকুমার অমসুং সৌবাম জোনসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্লব অমা ওইরিবা ৱাই দি ওদা ট্রান্সফর তৌরগে হায়না খঙহল্লক্লি।

## কোচেস এসোসিএসনগী মীফম

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):
য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী মখাদা লৈবা কাচেস এসোসিএসনগী চহীগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ১১দা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

হায়রিবা মীফম অদুদা এসোসিএসন অসিগী অনৌবা ওফিস বিয়ররশিং খনবগা লোয়ননা মমাঙদা টেবল টেনিস, হেন্দবোল, রেষ্টলিং, ফুটবোল, সেপাকতাক্রো, হোকি অমসুং বাস্কেটবোলগী মশান্নদা কোচ ওইরম্লগা মতম শুরদুনা থবক্তগী পোত্থাগদবশিং অদুসু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমসু য়াওগনি হায়না চেরোল অসিদা পল্লক্লি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

## অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎলম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা লৈচেষ্টর সিটিনা অর্সনেলগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎপদগী মাঙজখ্রে

লন্দন, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
লীগ টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলম্বা লৈচেষ্টর সিটিনা অর্সনেলগা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী মাঙজখ্রে।

ঙসি ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমা অর্সনেলনা য়ূম্বু ওইদুনা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা লৈচেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনখি।

শান্নবগী মিনট ২০ লোম লম্বা মান্নবদগী পাঞ্জল চন্নদনা লাকখিবা অদু য়ূম্বু ক্লব অর্সনেলগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা বি সকানা পীরকখিবা পাস অমদা টিমমেট পি ওবামেয়াংনা পাঞ্জল চন্দুনা ২১শুবা মিনটতা লৈচেষ্টর সিটিবু অর্সনেলনা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

পনবা য়াবদি, ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী অপূনবা টিম ২০না লম্বা তৌনরকপদা রাউন্দ ৩৮ শান্নবা য়ৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা লিবরপুল ফুটবোল ক্লবনা খ্বাইদগী নক্নবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী পোইন্ট য়াম্না হেনখিবা মরম্না মাঙজৌননা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবনি।

লেচেষ্টর সিটি পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈখিবা অদু হন্দোক্নবা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইক্বেলাইজর ফংদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুকসু অর্সনেলগী মায়কৈদা লৈচেষ্টরনা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখি। মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লত্ত্রবা ৮৪শুবা মিনটতা লৈচেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় দি গ্রেনা ইন্থোরকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জে বার্দিনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। মেচ অদুগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লৈচেষ্টর সিটিনা চেলসিগী মহুৎ শিল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা মাঙজখি।

## এ টি পিনা অনৌবা রেঙ্কিং সিষ্টম লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী হীরম খুদিংমক পন্দুনা লৈরকখিবা অদুগী মতুংদা এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেল (এ টি পি) না নুপাগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা অনৌবা মকোক মথং তাবগী অনৌবা সিষ্টম অমা লাউথোকখ্রে।

থা মঙা ইন্টরনেসনল টেনিস টুর্নামেন্ট অমত্তা পাঙথোক্তনা লৈরকখ্রবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকপা হৌনবগী পান্দম অমা এ টি পিগী মায়কৈদগী থৌরাং লৌখৎলি। মসিদা কুমজা ২০১৯গী মার্চ থাদগী চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা লৈরিবা থা ২২গী পেরদ অসি কোনশিল্লগা শান্নরোয় অমনা মমাঙদা শরুক য়াখিবা অমদি ফংখিবা রিজল্টশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা অনৌবা রেঙ্কিংগী সিষ্টম অসি লাউথোরকপনি।

এ টি পিগী মায়কৈদগী ওগষ্ট ১৪দা য়ু এস এগী ৱাশিংটন দি সীদা সিটি ওপন টেনিস টুর্নামেন্টনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতুংদা অহানবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি।

নৌনা শেমদোরকপা রেঙ্কিং সিষ্টম অসি চহী অমদা পাঙথোকপা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট মরি অমদি অতোপ্পা ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী ওর্গনাইজরশিংগা নৈনরবা মতুং ফোঙদোকপনি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
CHILLI LAUNCHES

MRP Rs. 8999/-
Discount Rate Rs. 6500/-
"KILLER 100" BLUE RAY MULTIPURPOSE DISINFECTION MACHINE
Warranty 6 Months
- য়ূম, মোল, ওফিস, কারনচিংবা কয়াদা সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই।
- মিনট অমদা ২২ স্প্রেয়িং কেপাসিটি লৈ।
"FIVE LITRE SANITIZER WORTH RS 2500 FREE" !!!
AUTHORIZED DISTRIBUTOR: RIDHI SIDHI ASSOCIATES, THANGAL BAZAR, NEAR AXIS BANK, IMPHAL,MANIPUR,795001 CONTACT: 7892145418, 7005112705
HL-B/6210/1-5

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com